# ‘য়েক্লবগী মীনাই ওইরম্লগনি-!’

- এল ইবোমচা -

মীওইবা হায়বসি কনাসু মপূং ফাবা নত্তে, অফবা থবক খরা হেন্না তৌবা মীবু অফবনি হায়বা, ফত্তবা থবক খরা হেন্না তৌবা মী অদুবুনা ফত্তবা মী হায়নবগী ৱাতনি। চান্মদা চান্মা অফবা থবক তৌবা, চান্মদা চান্মা ফত্তবা থবক তৌবা মী লৈতে। মীদি লাইরদনা পোৎ খুদিংদা লৈতে, লাই ফাওবদা লৈতে। মী খুদিংমক মশা-মশানা তৌরিবা অদুনা চুল্লে, ফরে খন্না তৌনরিবা ঙাক্তনি। অদুনদি য়েংলিবা মী অদুসু য়েংবা হৈবা অমা চঙই। চুম্না য়েংলগা অচুম্বা ঙাক্তা ওইনা উবা, পৈনা য়েংলগনা পৈনা উবা তাবনি। পূম্নমক অসি মীয়ামগী খূত্তা ঙাক্তা লৈরম্লে। মীয়াম য়াওদবা থবক অমত্তা লৈরমদ্রে। মীয়াম লৈত্রবদি লিদর (লুচিংবা) ওইবা য়ারমদ্রে। মহৌশা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদসু অদু মঙাই মীয়াম লৈরমদ্রবদি নিংথৌসু লৈরম্লোই। তৌবসু নিংথৌনা ফরবা লৈবাক্তু নুংঙাইরে, নিংথৌনা মফৎত্রবা লৈবাক অদু খম থেংনা ৱারে। খুদম ওইনা হায়রবদা নিংথৌনা ফত্তবদগী মণিপুরদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোকখি, কবো তম্পাক মাঙখি, কুমজা ১৮৯১-১৯৪৭ ফাওবা চাওরাক্লা চহী ৫৬ মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখিদুনা বৃটিশকী মীখা পোন্দুনা লৈখি অমদি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা নম্ফুদা তিনখিবা অসিসু অমনি।

ঙসিনা নিংথৌ লৈঙাক্কী মহুৎতা মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লুচিংবা ওইরে। লিদর খনবা তরাই তরাইবা থবক নত্তে, মসল পৱার, মনি পার, রিলেটিভ পৱার, ফেমিলি পৱার, গন পৱার, মানা হান্না মীয়ামগী তৌজরকপা পৱার লোইনমক চঙই। ময়াম অসি মীয়াম্না কূপ্না য়েংলগা মীয়ামগী লিদর খল্লক্কদৌরিবনি। অদুননি মীয়াম্না পীরকপা পৱারনা খ্বাইদগী মতিক ময়াই হেল্লি হায়নরিবসি। ভোট কাহনবা-কাহন্দবা, করপসন তৌহনবা-তৌহন্দবা মীয়ামগী খূত্তা লোইনা লৈরে। মহৌশা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা নিংথৌনা ফরবা মীয়ামসু নুংঙাইরে, নিংথৌনা ফৎত্রবা মীয়াম খম থেংনা ৱারে হায়নরম্বদু ঙসিগী মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লিদর ওইরবা মতম অসিদদি লিদরসু মীয়ামসু অনীমক ফমিন্নদ্রবা পূন্না ফৎত্রে, অনীমক ফমিন্নরবা পূন্না লিদরসু মীয়ামসু ফমিন্নে। মীয়াম্না ঙম্বসি কয়ামুক য়াম্না ঙম্বগে হায়রবদা মশাদা ইগো (নাপল) য়াম্না পামজবা মীওই থেংনবা থোক্লবদি যূম শাও, ভোট লেপ্পু, ঐখোয় নঙগীদমক লৈরি হায়দুনা থৌওইনা ইনশিল্লগা অমুক হন্না হৌগৎলকপা ঙমদনবা লৈখাদা ইন্থখিবা ঙম্মীবনি।

হৌজিক এন বিরেন মণিপুরগী মীয়াম্না খনবা লিদর অমা ওইরে। অদুবু লাইবক থীবদি মাগী মতমদা মীতৈ অমদি কুকিগী লাঞ্জাও অমা থোক্লে। লান অসি নোর্থ ইষ্ট শিন থুংনা শন্দোকখিদুনা মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওল্লকপসু তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈরি। লাঞ্জাল অসি করিদগী হৌরকখিবনো হায়বসি মীয়াম্না খঙবদদি এন বিরেনগী লৈঙাক্লা কুকিশিংনা প্রোটেক্টেদ অমদি রিজর্ভ ফোরেষ্টকী লমদা উমং কয়া পাক শন্না কোকথোক্তুনা কুকি খুল কয়া শেমগৎলকপা থিংলুবা, চীংমাইশিংদা পাক শন্না পোপি থাবদা থিংলুবদগী কুকিশিংনা খুন্দাবা লমশিংদা লৈবা ফোরেষ্ট ওফিসশিং মৈ থাবা হৌরকখি অমদি মৈ থারিঙৈ মরক্তুদা এন বিরেনগী মমিং মথা পন্দুনা অকাম-অপেৎনা চৈবা থাংবা হৌরকখি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চুড়াচান্দপুর টাউন্দা নৌনা শঙ্গাগদবা ওপন জিম অমা মৈ থাদোকখি। মতমদুদা কা হেন্না লম হেল্লবা কুকিশিং অদু লাকশিন্নবা ব্লেঙ্ক ফয়ার নোংমৈ রাউন্দ ১০/২০দং ব্রঙ-ব্রঙ কাপ্লম্বদা মীওই খরা অশি-অনা, অশোক অপন খরা নংলল্লবসু ঙসিগী অসুক য়াম্না তমথীরবা লান অসিগুম্নদি থোক্লম্লোই।

অমরোমদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি কুকিলেন্দ ষ্টেট অমা পাম্বনা ঙাওরবা কুকিশিং মতৌ করম্না মীতৈশিংদা লান্দাশিনসিগে হায়না মচাক থিরকপা য়াম্না ৱানা লৈরক্লবনি। মচাক লৈতনা হেক্তা লান্দাশিবা য়াদবনা লান্দাশিন্দনা কুমজা ২০০৫ অদুৱাই মতমদগী ঙাইরক্লবা মতুংদা মণিপুর হায় কোর্টনা মার্চ ২৩, ২০২৩দা মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তানবগী মরমদা পীরকপা ভর্দিক্ট অমদগী মতাং অসিদা লান্দাশিনবা য়ারনি হায়না অটসুম (ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর) না অরাংফম ওইরদুনা ত্রাইবেল সোলিদরিটি পিছ মার্চ রেল্লি অমা চৎশিন্নরগা চুড়াচান্দপুরদা ইপিসেন্টর ওইরগা লান্দাবা হৌরকখিবনি। লান অদু হেক্তা লান্দাশিনবা নত্তে, নিংথিনা শেম শারবা প্লান অমগী মখাদা খ্বাইদগী শাশিন্নবা খূৎশেম ‘এঙলো কুকি ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্স’ অমা মীতৈশিংনা মৈ থারম্লে হায়না লান্না পাউ শন্দোক্লগা মদুদগী লানগী মৈরী চাকখৎলকখি অমদি নুমিদাংৱাইরমদা চুড়াচান্দপুরদগী কুকি ময়াম অমনা মখূত্তা নোংমৈ, চৈতুপ, উতুপ, নূঙ, থাঙ পায়দুনা মীতৈ খুল তোর্ব্বুংদা হুপচিল্লক্তুনা মীতৈগী যূমশিং মথং-মথং মৈ থাবা হৌরকখি। অসুম্না মে ৩, ২০২৩, যূমশকৈশা নুমিত্তা চুড়াচান্দপুরদা লৈবা মীতৈগী যূমশিং অমত্তা খাক্তনা মনা তুম্না থাদোকখি।

মথংগী নুমিৎ মে ৪, ২০২৩, শগোলশেন নুমিত্তা মীতৈশিংনা লমন শিংবা ওইনা ইম্ফালদা লৈবা কুকিশিংগী যূমশিং মৈ থাবা হৌখি। অসুম্না মীতৈনা লমন খুল্লুবদগীদি মণিপুরদা অচৌবা লাঞ্জাও হায়বদু ওইরকখি। মরক্তুদা হান্নদগী শেম শাদুনা লৈরকপা প্লান ওইবনিনা নংহৌররোই মতাগুম কুকি এম এল এ/মিনিষ্টর ১০না মে ১২, ২০২৩, ইরাই নুমিত্তা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীননবা দিমান্দ তৌরক্তুনা লৈঙাক্তা চে থারকখি। ঙসিনা অমুক য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা পীনবা দিমান্দ তৌরকখ্রে।

মসিদা মীতৈশিংনা হৌজিক ফাওবা য়াম্না ঙক্লিবদি, কুকিশিংনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবদু সেন্টর লৈঙাক্তা অদুম তাঞ্জৌ, মখোয়গী হক্লি, মদুদা সেন্টর লৈঙাক্লা পীরকপা পীরক্তবা, ফংবা-ফংদবা হায়বা অদুদি তাল্লিবা দিমান্দ অদুগী মখা পোল্লি। দিমান্দ অদুনা মরম চারবদি সেন্টর লৈঙাক্লা মরন্নাই অদুমক পীরক্কনি, মরম চাদ্রবদি পীরকপগী ৱাফম লৈরোই। মদুদা মীতৈশিংনা অহৈ-অপা শারুবগী থোইদোকপা কান্নবা লৈতে। মদুদি নত্তনা মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট ওফিস অতম্নদা মৈ থারিবা অমদি মীতৈশিংদা অতম্নদা নোংমৈ, বোম, টোপনা লান্দাশিল্লিবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অসি করিনো হায়বনি। মসিদা কুকি এম এল এ/মিনিষ্টর ১০না মীতৈশিংদা লান্দাশিনবদা মতেং পাংশিল্লিবা মসিগী মরম্না করিগীনো হায়বনি। মসিনা তাক্লিবদি হান্নদগী হৌদুনা মীতৈশিংদা কল্লকপা হেনমনবদগী লান্দাশিন্নবা ঙাইরকপা কুইরে তাক্লবনি। মতম কুইনা মমাঙদগী মীনাইনা মপুগী লম অমদি লন-থুম মুনগদবগী তাঞ্জা লুমদুনা লাক্লে হায়বা তাকই।

লিদর অমা ওইরবদি য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই, খোঙফম অমা শোয়খিবদা চহী ১০০ হেন্না চুমথোকপা ঙম্লোই। হন্দক্কী লান অসিসু অমনি খনবা য়াই। লিদর ওইরিবা এন বিরেননা লান অসিগী মরমদা খোঙফম অমা শোয়খিবদা চহী ১০০ হেন্না চঙনা মেনখৎপা ৱাগনি। খোঙফম চুম্লগনা মতিক চাবা লিদর অমনি হায়বদু উৎথোক্লবগী তাঞ্জা ফংলিবা মতমদুনি। মাগী মমিং মণিপুরগী পুৱারীদা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌগদবা তাঞ্জানি। অমরোমদা, এন বিরেননা তৌথোরকপা থবক্তা মীয়াম্না অপাম-পামদা ময়াম অমা লৈরবসু মণিপুর মীয়াম্বু মীকপ থোকহল্লিবসি মহাক্কনি হায়বা য়াই। মহাক্লা মাঙখ্রগদবা মণিপুরবু কন্নবা হোৎনবদা কোন্না মীয়াম পূম্নমক য়াওশিল্লকপনি। মহাক্লা মণিপুরগীদমক করিমত্তা খন্দনা মশা নুংঙাইরগা লোইরে খন্দুনা লৈশিল্লম্লবদি মণিপুর মীয়াম হৌজিক ফাওবা তূম্লমখিনি মীকপ থোক্লকপগী ৱাফম লৈরোই।

হন্দক্কী লান অসিদগী ঐখোয়না তমহৌবা য়াবা পাড়াসি চন্নিবনি হায়দুনসু ইচম চম্না অসুম লৈশিনবসি মাঙনীংঙাইনি, মসি য়াম্না ফত্তবনি হায়বা পাড়া অমা কুকিশিংনা তন্বীবদগী খঙহৌবা অসিনি। হৌজিক্লা ময়াম চংদুনা চীফ মিনিষ্টরদা চৈ থাংলি। মসিদি ফত্তে তোক্লসি মরমদি মমাঙগী চীফ মিনিষ্টর অমত্তনা মানা তৌরিবা অসিগুম্না তৌখিদ্রি। মশা-মশাগী ইমুং-মনুং খক্তগী নুংঙাইনবা হোৎনবদা মতম লেল্লম্বা ঙাক্তনি। মশাগী মতু-মচা পুথোক্লগা ভোট লেপহন্দুনা ভোট কাহন্নবা হোৎনবা খক্তদা লৈবাক্কী খনবা শংবা নত্তে মখোয়গুম্না হৌজিক্কী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনসু ওইরম্বা থোক্লবা মণিপুরগী য়েলহৌমী পূম্নমক নহান্না ‘য়েক্লবগী মীনাই ওইরম্লগনি’। মরম অদুনা হৌজিক্তি ঐখোয় খুদিংমক্লা সী এমদা মতেং পাংশিন্দুনা মায় পাক্লনবা হোৎনমিন্নবনা অচুম্বা ওইরগনি। ●

# লৈঙাকপনা ঙাকপীদ্রবা লৈবাক

মতম মতমগী
**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

ঙসি লমদম অসিদা লৈরিবা মীতৈ লাখ ১৫ রোম অসিগী মনুংদা নুংঙাইবা মী কয়া য়াম্না লৈরমগনি? য়ুশিল্লক্লবা হি অমদা পূন্না তোংমিন্নরগা ঐগী মপাদা য়ুদ্রি হায়না নুংঙাইজবা মীওই খরবুদি লৈরম্বসু য়াই। অদুবু হি অদুনা লুপ্পবদি মখোয়সু য়াওগনি, নাম্থোকহৌবা য়ারোই। হৌজিক লানগী চৈথেং ফংলিবা অসিনা কনা কনানো? মথৱায় মাঙখ্রবা মীওই ২০০ মুক অদুগী ইমুংমনুং অমদি নক্লবা মরী-মতাশিং অদুখক্তা নত্তে, ঙসি ফাওবদা মশা ফংদ্রিবা, শরূ মচেৎ অমত্তা ওইরবসু ফংহনবীয়ু হায়না তেংথারিবা মীওইশিং অদুখক্তনি হায়না লৌবসু য়ারোই। ময়ূম-মকৈ, মাল-চাং পূম্নমক মৈ থাদোক্তুনা তান্থোরক্লবা ঙসি ঙসিমক রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওই লিশীং ৬০ দুখক্তসু নত্তে লানগী চৈনা ফংলিবসি। লান অসিনা মরম ওইরগা মশা-মশাগী শিনফম মাঙখ্রবা মীওই কয়া অমসু লৈরি, মখোয়দু নুংঙাইরমগদ্রা? লুপা লিশীং ২/৩না ইকোম কোম্না য়ৌবা য়াবা মফম কংফাল লম্বীদা চৎপা য়াদবনা লুপা লিশীং ৭/৮ চঙনা নোংথক লম্বীদা চৎনরিবা, শেল পুথোকপা ঙমদবা মীওইশিংনা চৎনীং-চৎনীংনা চৎপা ঙমদবনা ফংবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া মাঙজরিবা, মপান্দা পুদুনা লায়েংলবদি ফগৎলকপা য়াবগী আশা লৈবা অনাবা কয়া এরোপ্লেন অতোংমল পুথোকপা ঙমদবনা লাইরমলেন পাংখিবসু য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মসি পূম্নমক অসিবু নুংঙাইরমগদ্রা? লানগী চৈথেং নত্তে হায়রসিরা? লাননা মরম ওইরগা নোংমগী চঙদবা য়াদবা পোৎ চৈগী মমলসু অতিয়া পক্লা ৱাংখ্রে, চান-থক্লবা মনা-মশিং তাঙদবা অমত্তা লৈত্রে। মসিবু কমদৌনা লাননা পীবা চৈথেংনি হায়রোইদৌরিবনো?

অসিগুম্বা অৱাবনা য়োম্লবা পূন্সি মহিংশিং অসি উরুরগা পাউ তানীংদ্রে, টেলিভিজন য়েংখিদবসু কুইরে, য়েংনীংদবদি নত্তে চেনেল খন খন্দুনা য়েংলম্বনি, মতম লেনবা ওইনা ভক্তি চেনেলসু য়েংলম্মী। অরিবা হিন্দি ফিল্ম লাকপদসু অমত্তা লেম্না থারমদবনি, হৌজিকসু য়েংনীংদবদি নত্তে। করিগী য়েংনীংদনি? হৌজিক্কী মতমদা ঈ-পাউ, ইন্টরটেনমেন্ট, হেল্থ ইনফোর্মেসন, স্পোর্টস, এদ্যুকেসন, সোসল এন্দ কলচর টেলিভিজন্না শোক্তবা করম্বা হিরম্বু লৈরিবগে? অদুবু টিভি য়েংলগা উনীংদবা মী উগদবগী শরুক তানীংদবা ভাষন তাগদবগী শরুক য়েংদবনা ফরে খন্দুনা য়েংদ্রবনি। টিভি য়েংবদগী ফংগদবা কান্নবা অদুদগীদি উনীংদবা মীওইশিং উদুনা, তানীংদবা ৱাহৈশিং তাদুনা থৱায় নুংঙাইহন্দবা অদুনা হেন্না হকচাং শোকহনগনি খন্দুনা য়েংদ্রবনি। টিভি য়েংদ্রবসু নান্থোকপা য়ারোই হায়বগুম নহান সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকপা ভিদিও ক্লিপিং মতেক অমা থেংনখি। লৈঙাক মকোক্কীনি, মফমদি চপ চানা নীংশিংদ্রে। শল্লপ্পা ৱারোলদি ‘লৈঙাক অসিনা তৌদবা করি লৈরি? তৌবা য়াবা মখৈ লোইনা তৌখ্রে’ হায়বা ওইরমাল্লে। খূবাকসু য়াম্না খুখি। খূবাক খুখিবশিংদুগী মনুংদা ঙসি ফাওবা মশা ফংবা ঙমদ্রিবা, চৎনবীগী মতুংইন্না মথৌ মঙম পাঙথোক্ত্রিবা তেরা তোংত্রম লৈকায়দগী লিন্থোইঙম্বী অমসুং হেমঞ্জিৎকী (হেমঞ্জিৎকীদি পাঙ্গোংনা মহুৎ শিল্লগা ঙরাং পোৎলোইখ্রে) মমা-মপা, মরী-মতা য়াওরমগদ্রা? প্রাইম মিনিষ্টরনা রাজ্য সভাদা মণিপুরদা স্কুল, কোলেজ হাংলে, ওফিস কানরে, ঈং-তপ্পা তপ্না-তপ্না হঞ্জিল্লক্লে হায়বদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা য়ানীংলমগদ্রা? ইন্দিয়াগী সোলিসিটর জেনরেলনা য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ু এন) গী মীফমদা মণিপুরদা ভোট থাদবগী চাং ৱাংখিবনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে তাক্লবনি হায়খিবদা সেকমাই লান্থোকখিবদগী থিবা খঙখিদ্রবা মচা হল্লকপা ঙাইরিবা অখাম অৱাং লৈকায়গী এন্থোনি অমসুং অভিনাসকী মমা-মপানা য়ানীংগদ্রা? খূবাক হৌনা খূখিবা মীওইশিং সেকমাই লানবা ঙম্লগদ্রা? মখোয়দি থম্বু থমখিসি। এস্কোর্টনা য়োম্লগা চৎলিবা লৈঙাকপশিং কাংপোকপী, মোরে, চুড়াচান্দপুর চঙবা ঙম্লবরা? মীতৈনা নম্না খুন্দারিবা জিরিবামদা চৎপা ঙম্লিবরা? মদুসু মখাদা চৎকদবা নত্তে, নোংথক্তা পাইরগা মফমদুদা তারুগদবা, দেল্লীদগী জিরিবাম চৎকনি হায়না লাকখিবা জিরি য়ৌবা ঙমখিবরা? করিগী চৎখিদে, কনানা থিংখি? লেম্না থারোই, মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীগনি হায়বা তামন্দুনা তানীংদ্রবা ৱাহৈ তাখিদ্রে। হেঞ্জিল্লক্কনু হেঞ্জিল্লক্লবদি নোংমৈ পায়দুনা লান কাপ্পা চঙগনি হায়রকখ্রে। হেঞ্জিন্দ্রিবরা? কয়াম ৱাৎলি মসিদগী হেঞ্জিনখ্রবদি লমদম অসি করম্বা ফীভম ওইগনি? মীতৈ হিংখিগদ্রা? মণিপুর লৈখিগদ্রা? মণিপুর কায়খ্রবা, লৈবাক্লবু লৈত্রবা লৈঙাকপশিংসু লেমহৌরোই, লৈহৌবা য়ারোই হায়বসিমসু কাউদবা ফৈ।

মণিপুর লৈখিদগ্রা? মীতৈ হিংখিগদ্রা? অসামগী চীফ মিনিষ্টরনা মীতৈ লোইশিল্লক্কদৌরে হায়খিবসু লৈখ্রে, চুমগদৌরিবরা? মৈহৌরোলদগী মীতৈগী লৈবাক ওইরকখিবনা মীতৈ লৈবাক নৎত্রগা মৈত্রবাকসু হায়নরম্বা মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৫৩ খক্তমক ওইরবা মীতৈ লাখ ১৫ রোম অসি তম্পাক্কী স্কৱার কিলোমিটর ৭০০ রোম অসিদগী হেন্দোকপা ঙমদ্রে। পীকখ্রবা এরিয়া অসি মীতৈখক্তগীসু ওইদ্রি, মীতৈগী মথক্তা, মীতৈ পাঙল, নাগা অমসুং নন লোকল কয়ামুক্লা লোয়ননা য়ুবী লাকপী শান্নদুনা হিংমিন্নরি। ইচম চম্বা য়ুবী লাকপী নত্তে, অঙম তান্নবনি, লাক্লবনি, মুন্নবনি। মীতৈ মশা মউ খিংই, শান্ন-খোৎনবা অমদি শরিৎ-শরাক্তা থোইদোক হেনে দাকপা টেলেন্ট লৈ অদুবু হিংনবগী লানফমদা কয়া য়াম্না মায় পাক্লবগে হায়বদুসু য়েংমিন্নসি। মীপূম খুদিংমক্লা পাম্নরবসু শেল পায়বা, শঙ্গ লৈবা ৱাচৎ-ৱানোম হৈবা মীওইশিংগী মচা-মশু নত্তনা লৈঙাক্কী থবক্তি ফংবা ঙম্নদে। শূবা নোম্বদসু মীতৈদি ঈজৎকী অচৌবা ওভরকোট অমা লিৎলগা পোক্লকপনা নোংমা নোংমগী অফং-অফংবা থবক শূদুনা হিংবসু পাম্নদে, অদুগুম্বা থবক অদুনা মীতৈ পাঙল অমসুং ময়াংশিংগী রিজর্ভ ওইনা লৈখ্রে। করবার, মসিসু শেনফম অচৌবা অমা চঙবগা লোয়ননা মীপূম খুদিংমক্লা পায়বা য়াবা শিনফম অমসু ওইদবনা অয়াম্বনা নন লোকলশিংগী মখূত্তগী নাম্থোরকপা ঙমদ্রি। শেল চাউনা ফংই হায়নরিবা কন্ট্রেক্ট ৱার্ক অমসুং সপ্লাইগী থবকসু শেঞ্জাও পায়বা অমসুং মন্ত্রি মন্দোনশিংগী লেফ্ট অমসুং রাইটকী মীওইখক্তগী ওইবনা মীপূম খুদিংমক্লা চঙলুবা ঙমদে। হায়ৱেদা গাড়ী থৌদুনা হিংজরম্বা মীওইশিংসু ঙসিদি তম্পাক্তগী হেন্দোকপা য়াদবনা শিনফম থাদোক্লরে। দ্রাইভরখক্তা নত্তনা মীতৈগী মিংদা লৈবা গাড়ী অমত্তা হায়ৱে ফাওদুনা মপান চৎপা য়াদ্রে। চীংনুং মান্নুং চঙদুনা অফংবা থবক শূরগা শেল তান্দুনা যূম পুজরম্বা, মচা-মশু থাকচরম্বশিংসু মশা মশানা পায়রম্বা শিনফম থাদোক্লরে, মীতৈ তম্পাক্তগী হেন্দোকপা ঙমদ্রে। ৱাবগী পন্দোম য়ৌরে, অৱাবা মায়োক্লবা ঙমদবা মীওইশিং তাইবঙপান থাদোক্লখিবসু য়াওরে, কয়া অমসু মতুং ইন্নরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অফবা খুদম নত্তে, শিবা তারবদি মরাল লৈবা লুচিংবশিং পুদুনা চৎকনি হায়রকপসু য়াওরে।

শূফম নোম্ফম লৈরক্ত্রবা, করবার শেল মাঙলক্লবা, চথোক-চৎশিন য়ারক্ত্রবা, চাকখুম মৈ মূৎলক্লবা, মচা-মশু মবুক থন্না পীজবা ঙম্লক্ত্রবা, চাকখাও হাঙলক্লবা, হিংনবগী পান্বে লৈরক্ত্রবা কয়াম কুইনা শান্তি লৈগনি? শান্তি লৈত্রবদা অচুম-অরান থিনখিগদ্রা? তৌহৈবা-তৌহৈদবা য়েংনখিগদ্রা সিভিল ৱারগা মান্নবা ফীভম লাক্লবা লৈবাক ঙাকপা ঙমদ্রবা লৈঙাকপশিং লমদম অসিদা লৈবা ঙমখিগদ্রা? অকিবা শক্লোন লৌখিবা জুন ১৮গী থৌদোক দেল্লীদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈখিবা মতমদনি। লমদম অসিদা পি আর লৈজরবসু লুচিংবশিং লমদম অসিদা লৈবা ঙমখিবরা? লমদম অসি থাদোক্তুনা চেন্নখিবা নৎত্রা? লোত্তুনা খাঙখিবা নৎত্রা? থেংলবসু থেংনা হৌজিকসু মতম লৈরি, লৈবাক কনবা নথৌ নৎত্রা? লৈবাক ঙাকপগীদমক লৈঙাকপা মিংথোল ফংলিবা নৎত্রা? মীতৈ কল্লু, মীতৈ লৈত্রবা, লৈবাক কায়খ্রবা মুন্নরিবা চৌক্রিদু থাফম লৈখিগদ্রা? মতম অদুদা লমদম অসিদবু খোঙদারকপবু ঙমগদ্রা? লৈঙাকপনা ঙাকপীদ্রবা লমদম অমা ওইহনগনু, লৈঙাক লৈরি হায়বা খঙহল্লু। ●

# বাংলাদেশকী সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা ওর্দর

## (বাংলাদেশ মনীং-মখা তম্বা ফংননবা হোৎনখিবা ১৯৭১ মতমগী ফ্রিদম-ফাইটরশিংগী মচা-মশুশিংদা পীরম্বা ৩০% কোটা সিষ্টম ককথৎপা, অমুক হিংগৎপগী অকনবা খোঙজং)

- সৌবাম বিরধজ -

হৌখিবা কুমজা ১৬/০৭/১৯৭১দা ইষ্ট পাকিস্তান হৌজিক্কী বাংলাদেশকী মনীং-মখা তম্বগী ফিরাল হাইগৎখিবনি, অদুগুম্লবা মতমদুগী বাংলাদেশকী ফ্রীদম ফাইটরশিংগী মচা-মশুশিং নৎত্রগা নক্লবা মরী-মতাশিংদা লৈবাক অদুগী থবক চঙবগী কোটা সিষ্টম অসি ইহান হানবদা ৫১% (নুপীগী ১০% য়াওরগা) ওইরম্লিবনি। সিষ্টম অসি ১৯৭৫দগী ৩০%দা চৎনবা হৌখি। লোয়ননা ফ্রীদম ফাইটরশিংগী মচা-মশু/নক্লবা মরী-মতাশিংদা পীরম্বা ৩০% কোটা সিষ্টম অসি দিকেদ অহুম হেন্না চৎনদুনা লাক্লিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা বাংলাদেশকী মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়াম্না থবক ফংদবগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলকপদগী চাওরাক্লা মিলিয়ন ১৮ য়ৌরকখি। ফ্রীদম ফাইটরশিংগী মচা-মশুশিংদা থবক চঙবগী কোটা সিষ্টম অসি দিকেট অহুম চৎনদুনা লাক্লবনিনা হৌজিক্তি মখোয়গী কোটা সিষ্টম ককথৎতুনা অপূনবগী ওইনা মেরিট সিষ্টমদা থবক চঙননবা দিমান্দ তৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনাগী লৈঙাক্তা য়াল্লবা মহৈরোয়শিংনা সিট ইন প্রোটেষ্ট/মখল কয়ামরুমগী খোঙজং তৌদুনা থা মরিরোম খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। মতমদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা কোটা সিষ্টম পূম্নমক মূত্থৎতুনা মেরিট সিষ্টমদা চৎনবা হায়না য়ানদুনা লাউথোকখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌদৌ অদুগী মায়োক্তা ফ্রীদম ফাইটরগী কাঙলূপ অমনা হায় কোর্টতা কেস তৌদুনা চহী অহুম চঙনা থেংনদুনা হৌখিবা কুমজা ২০২১দা নৌহৌননা হায় কোর্টনা ফ্রীদম ফাইটরশিংগী ৩০% রিজর্ভ অদু অমুক হিঙ্গৎহনখি। নৌহৌননা অমুক হৌখিবা (১৬/০৭/২০২৪)দা বাংলাদেশকী সুপ্রিম কোর্টনা হায় কোর্টকী ওর্দর অদু ককথৎতুনা অনৌবা ওর্দর অমা হাপ্তা মরিগী মনুংদা থোক্লগনি, মরম অদুনা সুপ্রিম কোর্টনা মহৈরোয়শিংদা লাইরিক তম্লুনবা খঙহনখি। অসুম্না সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর হাপ্তা মরিগী মনুংদা নৌহৌননা থোক্লগনি হায়রিবদু শাংমল্লি লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী ফেবরদা থোক্লনবা (ফ্রীদম ফাইটরশিংগী মচা-মশুশিংগী ফেবরদা থোক্তনবা) হৌজিক্কী অকনবা খোঙজং অসি চঙশিল্লিবনি। হৌজিক্তি বাংলাদেশ অপূনবগী ওইনা মহৈরোয়শিংগী খোঙজং অসি অসুক্কী মতিক কনখ্রে ।কোটা সিষ্টম অসিবু পাম্বা কাঙলূপ অমসুং সিষ্টম অসিবু পামদবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা অকনবা খূৎ থোক্লরিবনি। মহৈ তম্ফম কোলেজ/য়ুনিভর্সিটি পূম্নমক্কী মহৈরোয়শিংনা লম্বীদা সিফাইশিংগা মূক্লবগী শক্তম্না ভাইরেলগী ভাইরেল ঙাক্তা ঙাইখ্রে। য়াল্লবা প্রোটেষ্টরশিংনা বাংলাদেশকী জেল অমা থুগায়দুনা বন্দি ৮৫০ লোম জেলদগী থাদোক্লবা মতুং জেল অদু মৈ থাদোক্তুনা তাঙ্গোই ওনখ্রে। বাংলাদেশ লৈঙাক্লা পান্বে লৈরক্তবদগী ‘শুট ওন সাইট’ (নোংমৈ কাপ্পু) কী হুকুম ফাওবা থোক্লিবনি, লৈবাক অদুগী মফম পূম্নমক কর্ফিয়ু লাউথোক্লিবনি। লোয়ননা ইন্টরনেট থিংজিন্দুনা ঈরাং লাকশিন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরিবনি।

বাংলাদেশকী দিষ্ট্রিক্ট কয়ামরুমদা ইন্দিয়াগী মশীং য়াল্লবা মহৈরোয় কয়ামরুম মরু ওইনা মেদিকেল কোলেজদা মহৈ-মশীন তম্নরিবনি। মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় পূম্নমক কোলেজ/য়ুনিভর্সিটি থাদোক্লগা ময়ূম ময়ূমদা মতম খরা লৈরুনবা খঙহল্লিবনি। ইজরিবগী ইচানুপী অমসু ধাকা মেদিকেল কোলেজদা অরোইবা চহীদা তম্লিবনি। বাংলাদেশ লৈঙাক্লা ঈরাং অসি লাকশিন্নবা ইন্টরনেট থিংজিনখিবনা ঈ-পাউ ফাওনবদা অসুক্কী মতিক অৱাবা ওইখ্রবনি। কোলেজ ওথোরিটিনা মহৈরোয়শিংদা কোলেজগী ফেক্স নম্বর অমা পী মদুদা মহৈরোয়শিং অদুগী এরোপ্লেন টিকেট অদু থারক্লবা খঙহল্লি। অসুম্না গার্জিয়ানশিং পূনশিন্নদুনা মচাশিংগী এরোপ্লেন টিকেট কক্লদুনা কোলেজশিংদা থানরিবনি, কোলেজ ওথোরিটিনা অহিং নোংয়াইগী মতমদা (ষ্ট্রাইক তৌরিবশিংনা তূম্নরিঙৈদা) এম্বুলেন্সতা পুল্লপ-পুল্লপ থিল্লিবনি। কোলেজ ওথোরিটিনা মী অমমমগী শুপ্লগী ফিরোল খরদং (মশা মশাগী এম্বুলেন্সকী ফম্ফম মখাদা থম্বা য়াবা চাংদা) পুননবা খঙহল্লিবনি। অসুম্না অহিং নোংয়াইদগী এয়রপোর্ট অদু মীনা পীক থল্লদুনা ফম্ফম চন্নদদুনা লৈমায়দা ফম্নরিবনি/হিপ্নরিবনি। নাকল অমরোমদনা থবক তৌবা/করবার তৌবা পর্সনেলশিংনা এম্বুলেন্সতা এয়রপোর্ট ফাওবা থিনবীনবা মেদিকেল কোলেজশিং/হোস্পিটালশিংদা তক্নরিবনি। অসুম্না মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা হান্না পীদুনা থিল্লবা মতুং য়াল্লবা শেনফম পীননরগা এম্বুলেন্সতা পর্সনেলশিং অদু অমুক থিন্নরিবনি। টেক্সি/উল্লাগুম্বা অমত্তা লম্বীদা চেন্দ্রবনিনা অহিং নোংয়াইগী মতমদা এম্বুলেন্সতা হঙ্গৎ-হন্দা থিল্লিবনি।

বাংলাদেশ লমদমগী মহৈরোয়শিং মরমগী স্কুল/কোলেজ/য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ-মশীন তম্লিবশিং অয়াম্বা মাঙজৌননা ময়ূম-ময়ূমদা চৎনখ্রবনি। থৌওইদদুনা চৎহৌদবশিং খরদি মমা-মপাশিংনা লৌবা লাকপসু য়াদবা, গাড়ীসু অমত্তা চেন্দবনা চানীংঙাই-থক্লিংঙাই ফংদদুনা য়াম্নমক খুদোংথীবা মায়োক্লরিবনি। হোস্পিটালশিংদা লৈনরিবা মশীং য়াল্লবা অশোকপশিং পূম্নমক হীদাক-লাংথক ফংদবা অমসুং চানীংঙাই লৈতবগী প্রোব্লেমশিং মায়োক্লরিবনি। ডাক্তর/নর্সশিং হনবা অমসুং লাকপা য়াদবগী প্রোব্লেম ময়াম অমা মায়োক্লরিবনি। দুকানশিং অমত্তা থোঙ হাংদ্রবনিনা বাংলাদেশকী মফম শিনবা থুংনা চানীংঙাই থক্লিংঙাই পূম্নমক অৱাৎপগী অৱাৎপা মক্তনি। নোংমগী শূরগা চাবা, করবার মচা তৌবশিং, রিক্সো, ওটোরিক্সো থৌরিবশিং পূম্নমক অৱাবগী পোৎলূম পুরিবনি। পূম্নমক অসি বাংলাদেশকী লাইরিক হৈবা মহৈরোয়শিংনা তুংদা লাক্কদৌবা থবক চঙবগী কোটা সিষ্টম অসি মেরিট সিষ্টমদা চৎননবগী হুকুম (সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর হাপ্তা মরিগী মতম লৌরিবা) অসিগী মনুংদা অঙম তান্নরকপগীনি। মখোয়গী দিমান্দ অসিসু মরম চাবা দিমান্দ ওইরিবনি। লোয়ননা বাংলাদেশ লৈঙাক অসিনসু ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরবনি।

হৌখিবা ১৭/০৭/২০২৪দা মহৈরোয় তরুক নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। মথংগী নুমিৎতনা অপূনবা মহৈরোয় ৩৮ শিখ্রবনি। মথংগী নুমিত্তনা অপূনবা মহৈরোয় ১১৮গী মপূন্সি লোমখ্রবনি। মথংগী নুমিৎ ২০/০৭/২০২৪দা প্রোটেষ্টর ১৫১গী পূন্সি পিখম্নখ্রে অদুগা অশোকপা মীশিং ২০০০ হেন্না হোস্পিটালশিংদা পুখৎলকখ্রে। মসিগী মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা ২১/০৭/২০২৪দা অনৌবা ওর্দর অমা থোরক্লে। অনৌবা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অসিনা কোটা সিষ্টম অসি ৫%দা হন্থদুনা য়েলহৌমী মাইনোরিটি অমসুং ত্রান্সজেন্দরগী ২% অমগা পূন্না ৭% কোটা সিষ্টম ওইরগা জেনরেলগী ওইনা ৯৩% ওইরগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা থোকখ্রবনি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্লা ঈরাং অসি লাকশিনবদি ঙমদ্রি। ঈরাং অসিদগী ফাজিনখিবা মহৈরোয়শিংগী লুচিংবশিং অমসুং ওপোজিসন লুচিংবশিং পূম্নমক পুং ৪৮গী মনুংদা থাদোক্লবগী মতম থারিবনি। হৌজিক্তি তপ্না তপ্না নেমথরক্লে, নেমথরকপসু ওইরসনু। ঈরাং অসিদগী বাংলাদেশকা যূমথংনরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল, ত্রিপুরা, মেঘালয়, অসাম্নচিংবা মফমশিংদা রিফ্যুজি কয়ামরুম চঙশিল্লক্লিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা চঙশিল্লক্লিবা খুদিংমক্তা মতেং পাংগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। বাংলাদেশকী ঈরাং অসি মপান লমগী খূৎ য়াওরমগনি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনাগী লৈঙাক অসি ইন্থুননবা শরৌ শোয়দনা য়াওরমগনি হায়না পংঙাঙদা ঙাঙনরিবনি।

ফাজিনখিবা প্রোটেষ্টরশিং পূম্নমক পুং ৪৮গী মনুংদা থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখিবদু বাংলাদেশ লৈঙাক্লা মাঙজৌননা লোইনমক থাদোকখ্রে। লম্বীদা রিক্সা/ওটোরিক্সা/জিপ/কার খরা খরদি থৌনরে। অদুম ওইনমক সিক্যুরিটি/পেরা মিলিটরিশিংনা মফম শিনবা থুংনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ঙাক শেল্লিবনি। সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা ওর্দর অসিমক্তি য়াম্নমক মরম চারবা বাংলাদেশ লৈবাক অসিগী তুং কোইনগী অফবা খোঙথাং অমা ওইহৌরগনি। বাংলাদেশকী সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা ওর্দর অসি কোর্টকী মমাঙদা পাথোরকপদা, মফমদুদা তিল্লিবা মশীং য়াল্লবা প্রোটেষ্টরশিংনা খূবাক খুদুনা মোমোন নোক্লদুনা য়ানীংবা ফোঙদোক্লখি। ফীভম্না য়াদবদগী হাপ্তা মরিগী মতম ঙাইননবা মাঙজৌননা খঙহনখিবদু, নুমিৎ মঙানিশুবা নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদু লাউথোকখিবনি। ‘বাংলাদেশকী সুপ্রিম কোর্টকী অনৌবা ওর্দর’ অসিনা লৈবাক অসিগী শান্তি হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪

১) **“বোমা তাদুনা লৈবাক কাইনখিবদগী ফোংবা ঙমদদুনা লৈরুবনি। মরুপ মপাং ময়াম্না ঐগী লাইরিক অতৈ পাবিরগা পিবিরকপা উৎসাহদগী লাইরিক অসিমসু ফোংবা ঙমজরি।”** মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা পনবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২) "The Recluse in Solitude Speaks" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **“অহিং অমগী ৱারী”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মপানগী অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে অমসুং কনানা ইবনো?

৪) **“হেচীমিনগী মঙালদা ঙাওজরুই”** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **“নীংশিংবগী পোখাশঙ”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।